ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিং ওইনা মখৌ পাঙথোক্লিবা পাউমীশিংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকখিবা

লমদম অসিগী মিংচৎ পুরক্তুনা পোকপগী মহে য়ালহল্লমসি

☛ লামায় ২

জিরিবামগী নর্স অমদি মল্টি টাস্কিং ফোর্সশিংগী খুৎশুমল পীথোকউ

☛ লামায় ৩

ৱাঙ্গোই এ সীগী মফম কয়াদা চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তা য়েল্লে

☛ লামায় ৬

ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী ওইনা ক্লাস খরা প্রমোসন পীরগনি

☛ লামায় ৭

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা চহী ৭ মপুং ফারকপগী পাঙথোরকখিবা সেবা হি সংঘথনগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী পার্টি অসিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা অম্বিকুমারনা থাঙ্গী মীয়ামগীদমক এম্বুলেন্স খুৎশিন্নখিবা

AS A PART OF SEVAHI SANGATHAN
AMBULANCE
Donated
For The People Of Thanga Constituency
SHRI MOIRANGTHEM ASNIKUMAR SINGH
"LETS MAKE THANGA COVID FREE"

Vol. 45, Issue No. 077 | থাংজ, ইঙাগী নীনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 12, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## মহারাষ্ট্রদা মণিপুরী নুপী অমা শিরে

মুম্বাই, জুন ১১ (এজেন্সী):
ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ হেল্লকপদা মহারাষ্ট্রগী থানে দিষ্ট্রিক্টকী তীন হাথ নাকা জঙ্কসন মনাক্তা ওটোরিক্সো তোংদুনা ময়ুমদা হল্লকখিবী মণিপুরী নুপী অনীদগী মোটোর সাইকলদা লাকখিবা নহা অনীনা মোবাইল ফোন লাক্লনবা হোৎনরকপদগী ইন্নরকপদা মখোয় অনীগী মনুংদা অমা থৌরিবা ওটোরিক্সো অদুদ্গী লম্বীদা তাশিনবদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবী অদুগী মমিং লালঙুরশাংগি কৌই। থৌদোক্তুদা চেন্নবা নহা অনীদুসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

## জেনিমসকী ডোক্তর সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
জেনিমসকী কোভিদ-৩ ৱার্দতা ঙরাং নুংথিল থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা দেলি ওনরেরিয়ম বেসিসতা খনখিবা মেদিকেল ওফিসর ডোক্তর পাঙম্বম বোঙ্গনগী মথক্তা ইনক্বারি চথনবগীদমক মহাকপু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

## সেকেন্দ দোজগী ভেক্সিন কাপকদবনি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজ ইনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা মশাগী চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা কোভিদ ভেক্সিন (কোভিসিল্ড) গী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মীওইশিংনা চয়োল ১২দগীনা ১৬ ফাওবগী মনুংদা ভেক্সিন অসিগী সেকেন্দ দোজ কাপথোক্কদবনি হায়রি।

## পুলিসনা মীওই অমা লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
কোভিদ-১৯ কাপ্পুরবা মীওইগী মশাদা ষ্টিলগী চামচ নপ্লে হায়দুনা ভিদিও নম্লগা সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরুবা মীওই অমা পুলিসনা ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক লৌখৎখ্রে। মীওই অদুগী মমিং ইরেংবম অমু কৌই। থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগীনি। মহাক হান্নসু পুলিসনা ফারুরে হায়রি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

স্বাইদগী শাবা ৩০.০৪ °C
স্বাইদগী ঈংবা ১৭.০৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৫২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### HL Poll

Q: Houjik thokliba cheng suna pi-pide haibagi wathoksingsi matam chuppagi oina loisinnaba leingakna hotnafam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 gi second wave mayoknaringeida JNIMS ki Doctorsingna resign tounarakpagi maram leingakna thidokfam thoktabra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- সার, থবকসিবু সাইকলদা সুম কাবীরব্রো?

- ꯁꯥꯔ, ꯊꯕꯛꯁꯤꯕꯨ ꯁꯥꯏꯀꯂꯗꯥ ꯁꯨꯝ ꯀꯥꯕꯤꯔꯕ꯭ꯔꯣ?



- কনানা কাগবনোদা, ৱর্ল্ড বাইসাইকল দেগী ঙসিখক্তুং থৌদোরকপনি।

- ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯀꯥꯒꯕꯅꯣꯗꯥ, ꯋꯥꯔꯜꯗ ꯕꯥꯏꯁꯥꯏꯀꯜ ꯗꯦꯒꯤ ꯉꯁꯤꯈꯠꯇꯨꯡ ꯊꯧꯗꯣꯔꯛꯄꯅꯤ꯫

### এম এল এ ইরাবোত য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট ৩৬কী মথক্তা পিটিসন ফাইল তৌরক্লে

# হায় কোর্টনা নোটিশ ইস্যু তৌরগা কেসকী পার্টি পুন্নমক্তা 'ষ্টেটস-ক্বো'দা থম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী হান্নগী ফেয়র প্রাইস সোপ এজেন্ট/এস কে ওইল সব-দিল্লরশিংগী মহুৎতা অনৌবা এজেন্ট/দিল্লরশিং হাপচিল্লক্লে হায়দুনা মসিগী মায়োক্তা এজেন্ট/দিল্লর ২৮না পিটিস্নরশিং ওইদুনা এম এল এ য়ুমখাম ইরাবোত, গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং নৌনা খল্লবা এজেন্ট/সব-দিল্লর য়াওনা পুন্না রেস্পোন্দেন্ট ৩৬কী মথক্তা সিভিল রিট পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখ্রে।

অদুম ওইনমক কোর্টনা ৱাঙ্খৈ এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদুদা কেস অসিগী পার্টি পুন্নমক্লা 'ষ্টেটস-ক্বো'দা মেন্টেন তৌদুনা থমখিনবা দিরেক্সন পীখ্রে। সিভিল রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরশিংনা হান্নদগী এ সী অসিগী ফেয়র প্রাইস সোপ এজেন্ট/এস কে ওইল সব-দিল্লরশিং ওইজরকখিবনি হায়বা ন্যু চেক্কোনগী দিমদাইলোংদগী গোলমৈ লানতানলুং (৪৭), অপোকপা অচুংপু গোলমৈ, ন্যু চেক্কোন নোংপোক ইংখোলদগী মাইবম জে ঙ্গন (২৪), অপোকপা এম দেবান, নোংমৈবুং সেরাম লৈকায়দগী য়াইখোম মঙ্গি (৬৫), মপুরোইবা ৱাই শান্তি, নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকায়দগী অধিকারিময়ুম রোসন (৩২), অপোকপা এ সনায়াইমা, নোংমৈবুং পুরানা রাজবারি পার্ট-ৱানদগী কৈশাম রাসমনি (৬৫), মপুরোইবা কে বিরেন, ৱাংখে অঙোম লৈকায়দগী অঙোম চিত্তরঞ্জন (৪১), অপোকপা এ শরত, অঙোম জয়চন্দ্র (৪৫), অপোকপা এ বিরকুমার, গোলাপতি কে আর লেন্দদগী মনোরা বেগম (৪২), মপুরোইবা সায়েদ অস্কর, গোলাপতি লৌবুক লৈকায়দগী এম দি অমজাদ খান (৩৫), অপোকপা এম দি খান, মিনুথোং হফিস হট্টাদগী সোফিয়া (৩১), মপুরোইবা এম দি অনুৱর, ন্যু লম্বুলেন্দ থর্দ ষ্ট্রিটতগী লৈলেন হাওকিপ (৪১), অপোকপা ওটখোমাং হাওকিপ, ন্যু চেক্কোন মান্দপ লৈরক্তগী নেপ্রম তিলোতামা (৪১), মপুরোইবা কে জিতেন, মিনুথোং হট্টাদগী এম দি সোহেল (২২), অপোকপা এম দি সদি, সোইবম লৈকায় অহোঙ্গৈ লৈরক্তগী সলাম রিতা (৫০), মপুরোইবা আর কে কুলজিৎ, সোইবম লৈকায় পোরোম্পাৎ চুথেক্তগী নামোইজম বিজ্ঞানিধি (৫৪), অপোকপা এন য়াইমা, খুরাই তেলিপতিদগী সন্তোশ প্রসাদ (৪২), অপোকপা এল সিতল প্রসাদ, খুরাই থৌদাম লৈকায়দগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা মীয়াম্না বি জে পি লৈঙাক লৌথোক্লসি : গোবিন্দাস

INDIAN NATIONAL CONGRESS'S
NATIONWIDE PROTEST AGAINST DIESEL & PETROL PRICE RISE
11th June 2021
Organized by
MANIPUR PRADESH CONGRESS COMMITTEE
Congress Bhawan B.T. Road, Imphal

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
লৈবাক অসিগী মীয়ামগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্নবগীদমক মীয়াম্না থাজবা লৈত্রবা বি জে পি লৈঙাক অসি লৌথোকপা মথৌ তারে।

ৱাফম অসি ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)না লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল কা-হেন্না ৱাংখৎলকপগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা পার্টি অসিনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়দুনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না চঙশিনখিবা খোঙজংশিংবু লুচিংখিবা পার্টিগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

পার্টি প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হন্থরকপা তারবসু লৈবাক অসিদদি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহল্লক্লি। হৌজিক মণিপুরদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ১০০ য়ৌরে। অদুগা দিজলগীনা লিটর

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এম য়ুগী একাদেমীক কেলেন্দর শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিনস অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগী মীটিংনা লৌখিবা রিজোল্যুসন নম্বর-১গী মতুংইন্না মহৈকোল অসিগী পোষ্ট গ্রেজ্যুএট অমসুং অন্দর গ্রেজ্যুএট কোর্সশিংগী টেন্টিটিভ একাদেমীক কেলেন্দর শেমখ্রে।

কেলেন্দর অসিগী মতুংইন্না পি জি মহৈরোয়শিংগী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগী ওনলাইন এগজামিনেসন জুন ২০দগী জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়রি। অতৈ সেমিষ্টরশিংগীসু লেপথোকখিবগা লোয়ননা অন্দর গ্রেজ্যুএট কোর্সশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা মতমশিং লেপথোক্তুনা পীখ্রে।

### মরোল থোকপা লাই/ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



# মীওই ১৯ লৈখিদ্রে, পোজিটিভ ৬৮৭ থেংনখ্রে, লৈখিদবা মশীং ৯৪৪ শুরে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ প্রোটোকোলশিং লাউথোকপগী মথক্তা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং থমদুনা পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভদগী ঙাকথোক্লবা অকনবা থবক লৌখৎলক্লবসু লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইবা অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা শিহনবগী মশীং অদুম্মক ৱাংদুনা লৈরক্লিবগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৯ লৈখিদ্রে, পোজিটিভ কেস ৬৮৭ থেংনখিবগা লোয়ননা অপূনবা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ৯৪৪ শুখ্রে।

ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ১৯ লৈখিদ্রে হায়রি। ঙসিগী ওইনা লৈখিদবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩, থৌবাল ৩, বিষ্ণুপুর ১, ককচিং ১, উখ্রুল ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৩ নি হায়রি। হায়রিবা মীওইশিং অসি রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ৩, জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা ৩, ববিনাদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৫, রাজ মেদিসিটিদা ২, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ৩ লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ৯৪৪ শুরে হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীংনা ৬৮৭ নি। মসিগী মনুংদা ১না সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেললনি। অদুগা লেমহৌরিবা কেস মশীং ৬৮৬কী মনুংদনা নুপা ৩৬০নি। অদুগা নুপীনা ৩২৬ নি হায়রি। পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৩৬, জেনিমসতা ৪, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৩৮ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ২০৯ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৫৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৩০, থৌবাল ৫৯, বিষ্ণুপুর ৫৮, ককচিং ৬৩, উখ্রুল ১, চুড়াচান্দপুর ৬৪, চান্দেল ৪, সেনাপতি ৬, তমেংলোং ২, তেংনৌপল ৯, কাংপোকপী ১১, কামজোং ১, ফেরজোল ৯, জিরিবাম ৯ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৪নি হায়রি। মখোয়গীদমক মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মথৌ তাবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিবু মায়োক্লুরকপগী মনুংদা ঙসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না মীওই ১১০৫ লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি হায়বগা লোয়ননা হায়রিবা মশীং অসিগী মনুংদা মীওই ৪৬৪না হোম আইসোলেসন্দগীনি। রিমসতগী মীওই ২৪ অমসুং অতৈনা জেনিমস অমদি কোভিদ ক্যের

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মহৈরোয় অমবু পুলিসনা ফাবা য়ারোই হায়বা ওর্দর শাংদোকহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা মমাঙ থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর-৩৭(৫) ২০২১দা একুইজ অমা ওইনা চার্জ তৌদ্রবসু ময়ুমদা লাক্তুনা থিরম্মী হায়বদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা হৌজিক এম এ তম্লিবা মহৈরোয় অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা প্রেয়র তৌরকখিবগী মতুংইন্না মহাকপু পুলিসনা ঙসি (জুন ১১, ২০২১) ফাওবা মোইরাং পুলিসনা লৌখৎলিবা কেস অদুগা মরী লৈননা ফাবা য়ারোই হায়খিবা ওর্দর অদু থা অসিগী ২২ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

মহৈরোয় অদুগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মহাকপু এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসন অদুনা এ বি নম্বর-২৩ ওফ ২০২১নি। মহাক্কী পিটিসন অদু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ অমসুং কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

মেট্টর অদু হায় কোর্টকী জষ্টিসনা নোবিননা থা অসিগী ৪দা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা মহৈরোয় অদুবু ঙসি ফাওবা ফাবা য়ারোই হায়খিবনি। অদুবু মেট্টর অদু ঙসিসু অমুক হন্না কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী ওবজেক্সন ফাইল

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## জুন ৩০ ফাওবা কর্ফিয়ু শাংদোকহনখ্রে, ভেজিটেবল ভেন্দর, গ্রোসরি দুকানশিং হাঙগদবা নুমীৎ পীরক্ত্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি রাজেশ কুমারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হান্নদগী দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। অদুবু লোকল ভেজিটেবল ভেন্দর, গ্রোসরি সোপ অমসুং গ্রোসরিগী হোলসেল দুকানশিং অমদি ফুদ ইসেন্সিএলশিংনা হাঙগদবা নুমীৎ অমদি অকক্লবা পুংফমশিংদি পীরকখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী মশীং অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিহনবগী মশীং ৱাংবনা মরম ওইদুনা মসিবু হন্থহল্লক্ত্রিবা ফাওবদি অথিংবা অসি মখা তানা চথবগী মথৌ তারি হায়রদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন-২০(২)(এ)গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না কর্ফিয়ুগী মতম অসি হান্নদগী থল্লক্লিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুড়াচান্দপুর অমসুং উখ্রুলদা অকক্লবা এক্টিভিটি খরদা অয়াবা পীরদুনা শাংদোকহল্লকখিবনি।

অদুবু মমাঙ থাগী ২৮দা চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা কর্ফিয়ুগী মতম ঙসি ফাওবা শাংদোকহনখিবগী ওর্দরদদি লোকলগী মীয়াম্না লৈবা ফংনবগীদমক ভেজিটেবল ভেন্দরশিং মে ৩০, জুন ২, ৫ অমসুং ৮গী অয়ুক পুং ৭তগী ১০ ফাওবা এস ও পি ঙাক্লগা হাঙবা য়াগনি হায়খি। অদুগা গ্রোসরি দুকানশিংগী ওইনসু দুকান ৩/৩ খুদিংগী অমমমবু রোটেসনল বেসিসতা মে ৩০, জুন ২, ৫ অমসুং ৮দা অয়ুক পুং ৭তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা হাঙবা য়াবগী অয়াবা পীরকখি। মসিগী মথক্তা থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং মসজিদ রোদতা লৈরিবা গ্রোসরি অমদি ফুদ ইসেন্সিএলশিংগী হোলসেল দুকানশিংসু দিষ্ট্রিক্ট পুন্নমক্কী রিটেলরশিংনা পোৎচৈশিং লৌবা য়াহন্নবগীদমক মে ৩১, জুন ১, ৩, ৪, ৬ অমসুং ৭তা হাঙবা য়াগনি হায়দুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। অদুবু ঙসি থোরকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবদা শাংদোক্লে হায়রক্লিবা ওর্দর অসিনদি

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ৱাঙ্খেম এ সীদসু চুন্না চেঙ য়েন্দ্রে হায়দুনা দি সীদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ৩২-ৱাঙ্খেম এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী রেসন কার্দ পায়বা মীওইশিংদা লেন্না য়েন্থোক্কদবা চেঙ কিলো ৫/৫ অদু হায়রিবা বেনিফিসরিশিং অসিদা য়েনবগী মহুৎতা এ সী অসিগীদি ইলেক্টোরেল রোল (ভোটর লিষ্ট)দা য়াওবা মীওইশিংদা ওইনা য়েন্থোক্লে হায়দুনা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার রাংনামৈ রাং পিটরদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎখ্রে।

ৱাকৎ অসি বি জে পি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বর ওইবগী মথক্তা পার্টি অসিগী ৱাঙাংলোয় অমসু ওইরিবা ভেটরান পোলিটিসিয়ন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ঙসি দি সী মশামক্তা অইবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহনখিবনি হায়রি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা পীখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ৱাঙ্খেম এ সীদা প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান অন্ন য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মীকোক্তা লেন্না ফংহনগদবা চেঙ কিলো ৫/৫ অদু মসিবু ফংফম থোক্লিবা বেনিফিসরিশিংদা পীদ্রে। মখোয়গী মহুৎতা এফ পি এস এজেন্টশিংনা এ সী অসিগী ভোটর লিষ্টতা য়াওবা মীওইশিংদা ওইনা পীরে। মরম অসিনা চহী ৫গী মথক্ত লৈবা অঙাংশিংদা ফাওবা য়েন্থোক্কদবা চেঙশিং অসি পীদ্রে হায়খি। লোয়ননা মসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## থক্ল-চানরিবা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং হঙ্গোইনিংঙাই ওইরকপগী মথক্তা লায়না পোকহল্লক্কদ্রা মীপায়নরে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অমনবা থোং নম্বোনবী য়াওনা খন্থ্রাং লৈরিবা খ্বাই ব্রিদজ অনীদগীনা কৈশাম্পাৎ থোং ফাওবগী মরক্তনা খ্বাইদগী হেন্না মোৎশিনহল্লম্বদগী হৌজিক্লা তুরেল লৈরায় অনীমক রিটৈর্নিং ৱালশিং চনখৎতুনা নালহনবদগী খরা ফগাৎলল্লবা নক্সুল তুরেলদগীদি তুরেল খোংবান অনীগী নাক-য়েৎতা তারিবা মীওইশিংনা চান-থক্লবগী য়াওনা শীজিন্নরল্লিবা ইম্ফাল তুরেলগী ফীভমদি হৌজিক হঙ্গোইনিংঙাই ওইরকপগী মথক্তা তুরেল অসিগী ঈশিংদগী শাখিরবা লায়না কয়া থোকহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপায়বা ফাওনরে।



মসিগী মতাংদা ইম্ফাল তুরেলগী নোংচুপ অমসুং নোংপোক থংবা তোবর্বান ময়াদা নক্না লৈরিবা মীওইশিংগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা ৱাকৎশিং ফোঙদোক্লরকখিবদগী তুরেল খোংনুং অসিগী মরিলগী ফীভম য়েংশিল্লুবদা নীংবা কায়নিংঙাইগী ফীভমদা লৈরল্লে।

তুরেল খোংবান অনীমক্কী মনাক্তা লৈরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং অসি চহী কয়াগী মমাঙদগী মখোয়না হীরম পুন্নমক্তা শীজিন্নদুনা লাকই। তুরেল খোংনুংদা থোঙ্গ্রা শাবসু য়াওই। শাদবা কাঙবুসু তুরেল অসিদগী তুল্লু নৎত্রগা পম্পশিং শীজিন্নদুনা চিংখৎলগা চান-থক্লবগী য়াওনা ঈশিংগী মথৌ তাবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## দিঙ্কো বোক্সিংগী লিজেন্দরি হিরোনি : ইবোমচা

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস):
ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা লৈবা মশাগী ময়ুমদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রবা ঙাঙোম দিঙ্কো বোক্সিং মশান্নাগীদি লিজেন্দরি হিরোনি হায়না মহাকপু ইহান হান্না মখুৎ পায়দুনা মশান্না অসিবু তম্বীরকপদগী হৌরদুনা মালেমগী শান্নবুংদা পজেং ফিরাল থেৎখিবা ফাওবদা থৌদাং লৌরকখিবা কোচ লৈশাংথেম ইবোমচানা ফোঙদোরক্লি।

বোক্সিংগী হিরো পদ্মশ্রী ঙাঙোম দিঙ্কোগী মরমদা নিঙোম্বম লৈরক, থোংজু পার্ট টুদগী মহাক্কী কোচ লৈশাংথেম ইবোমচাগা পাউচে অসিগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, ঙসিদগীনা চহী ৩১ রোমগী মমাঙ অদুঙৈ কুমজা ১৯৯০দগী মহাক

মশান্না অসিদা খুৎমাবা হৌরকখিবনি। মহাক্লা শান্নবা হৌরকখিবা মতম অদুদা লৈবাক অসিগী অপূনবা ষ্টেট ৯গী রিজনল সেন্টর অমা ওইরিবা মণিপুরগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গী রিজনল দিরেক্টরনা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা ডা. সলাম মনিনা ওইখি। মতম অদুদগী হৌরদুনা মশান্না অসিদা থৱায় য়াওনা শান্নবা হৌরকখিবা ঙাঙোম দিঙ্কো থংনবা চহী ১৯৯১গী নবেম্বর ২০দগী হৌরদুনা ২৬ ফাওবা নুমীৎ ৬নি ওইনা অম্বালাদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা লৈবাক অসিগী সব-জুনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখি। মসিনা মহাক্কী পুন্সিদা অহানবা ফংখিবা গোল্ড মেদলনি। চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মহাক খক্তা নত্তনা মণিপুরগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবা চাওবসু মহাক্কা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংলকখি হায়রি।

মহাকপু মশান্না অসিদা ইহান হান্না তাকপী তম্বীখিবা ওজা অমা ওইজখ্রবসু কোচ এল ইবোমচাগী মায়কৈদগীদি লৈখিদ্রবা ঙাঙোম দিঙ্কোবু

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫